**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 25-08-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**
**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**
**(তাং ২৫-০৮-২০২৫, নিংথৌকাবা)**
**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা থিবা হুন্বগী থবক চথ্বদা য়াম্লবা খূৎশু খূৎলাই অমদি কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অমা ফারে।

২) ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- রাজ্য অসিগী জিলা অয়াম্বদা ঙসি নোং চুরবা য়াই।

**অমসুং**

৩) ইসরোনা গগনয়ান মিসনগী -অহানবা ইন্তিগ্রেতেদ এয়র দ্রোপ তেষ্ট ঙরাং মাই পাকা পাঙথোকখ্রে।

**------**

**পুলিস (এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা থিবা হুন্বগী থবক চথ্বদা য়াম্লবা খূৎশু খূৎলাই অমদি কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অমা ফারে।
পুলিসকী পাউনা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অন্দ্রো পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা হুইকপ খুলগী চীংয়াদা থিবা হুন্বগী থবক চথ্খি। মদুদা- পোখাইবা য়াবা বোমগী মচাকশিং য়াওনা খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎখি। ফাগৎলবা খূৎলাইশিং

অদুদা- কিলোগ্রাম ৪ রোম লুম্বা বোমগী মচাকশিং, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল ১, তুয়েল্ভ বোর সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ২, হেন্দ গ্রেনেদ ১, তিয়র স্মোক সেল ১, স্তন গ্রেনেদ, রবর বুল্লেট ১, এম.কে.ৱান গ্রেনেদ ১, সেভেন পোইন্ট সিক্স টুগী এস.এল.আর মেগজিন ১ য়াওনা নোংমৈ মরু কয়ামরুম ফাগৎখি। পাউ অসিনা মখা তানা হায়-ইন্তেল্লিজেন্সতগী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু থিবা হুম্বগী থবক চথুখি। মদুদা-ককচিং জিলাগী তাংজেং খুনৌদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অমা ফারে। মীওই অসি ককচিং অমসুং থৌবাল জিলাদা লৈবা স্কুল অমদি চেক্কোনশিংদগী শেল খাইবদা চেন্নবনি হায়রি।

অমরোমদা, থা অসিগী ২৩ দা সেক্যুরিতি ফোর্সনা বিষ্ণুপুর জিলাগী ফৌগাকচাও ইখাই বজারদা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা মীওই ২ ক্বা সুপারি মরু বেক ৩০ গা কোন্ননা ফারে। ফারবা মীওইশিং অদু-ক্বাক্তা ৱার্দ নম্বর ফাইভ তগীনি।

রাজ্য পুলিসনা ত্রাফিক্কী নিয়ম কাইনা গারি থৌরিবশিংগী মথক্তা দ্রাইভ লেপ্তুনা চথুরি। দ্রাইভ অসিগী মনুং চন্না থৌবাল জিলাগী সঙাই য়ুমফম পার্ট ৱান সাবল লৈকাইদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী গারি হুরানবা মীওই অমা ফারে। ফারবা মীওই অসিদগী- মারুতি সুজ়কি এ-স্তার কার অমা, য়ামহা-ফেসিনো অমা অমদি সিম য়াওবা মোবাইল ফোন অমা ফংখি।

**কাদা(এল)ঃ** কোএলিসন এগেন্স দ্রগস এন্দ অলকোহোল(কাদা)না নিশাগী মায়োক্তা চথুরকপা কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা নোংমগী ওইবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা ইম্ফাল ইষ্টকী শঞ্জেংবম খুলেন অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী শগোলবন্দ খমাম লৈরক্তা পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী শঞ্জেংবম খুলেনদা ঙরাং পাঙথোকপা থৌরম অদু কাদা অমদি শঞ্জেংবম খুলেন ভিলেজ লেভেল ওথোরিতিনা পুন্না শিনবনি। থৌরম অদুদা-নিশানা খুন্নাইদা পীবা চৈথেং অমসুং মসিবু থিংবদা মীয়ামগী থৌদাং হায়বা হীরমদা খন্ন-নৈনখি। শগোলবন্দ খমাম লৈরক্তা পাঙথোকখিবা থৌরম

অদুদা-কাদাগী সেক্রেটরি জেনরেল তখেল্লম্বম গিটচন্দ্রনা রিসোর্স পর্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

**দিসি (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কঞ্জুমর এফিয়ার্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসননা চেংগী ওপন সেল তৌরগনি হায়রি।
কেপ এন্দ পি.দিগী দিষ্ট্রিক্ট সপ্লাই ওফিসারগী চেরোল অমনা হায়-মীয়ামনা মায়োকরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী য়েংদুনা কেপ. এন্দ পি.দি. ইম্ফাল ইষ্টকী ষ্টাফ কাংবু অমনা ইমং অমমমদা চেং কিলোগ্রাম মঙা-মঙা, কিলোগ্রামদা লুপা ২৮ পৈশা ২৫ দা ফংহনগনি হায়রি।
চেং য়োনগদবা মফমশিং অদুদি-লমলোং বজার, কোংবা বজার, সঙাকফম বজার, শওম্বুং গেট অমদি য়াইরিপোক বজার য়াওরি। লমলোং বজার অমদি কোংবা বজারগী ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অদুগা সঙাকফম অমদি শওম্বুং গেটকী ওইনা হয়েং অদুগা য়াইরিপোক বজারগী ওইনা থা অসিগী ২৯ দা য়েনগনি। চেং লৌবা লাকপা মতমদা ইশা ইশাগী অধার কার্ড লোয়নরক্কদবনি হায়রি।

**নোংঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই.এম.দি) ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- রাজ্য অসিদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা নোং চুরবা য়াই। হয়েংনা রাজ্য অসিগী চীংগী জিলা ৫ দা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুরবা য়াই। জিলাশিং অদুদি-তামেংলোং, সেনাপতি, জিরিবাম, নোনে অমসুং ফেরজোল নি।

মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অকনবা নোং চুগনি।
রাজস্থান অমসুং জম্মু কাশ্মিরগী মফম কয়াদা কা হেন্না কনবা মওংদা নোং চুরবা য়াবগী ফিভম লৈবদগী আই.এম.দিনা রেড এলার্ট লাউথোকখ্রে।

নোংপোক থংবা মধ্য প্রদেস, গুজরাট, হরিয়ানা, চান্দিগর, দিল্লি, পঞ্জাব,

উত্তরাখন্দনচিংবা মফম কয়াদসু অকনবা নোং চুগনি হায়না মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি।

জন্মু কাশ্মিরগী জন্মুগী মফম কয়াদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী অকুৎপা মফমশিং ঈশিং তুংশিনদুনা চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অকায়বা থোক্লে।

মফম কয়াদা চীং নিংখায়বা, ঈশিং ঈচাওনচিংবা থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈবদগী মীয়ামনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা ওথোরিতিনা খঙহনখ্রে।

বিহারদা তুরেল কয়াগী ঈশিংগী ইমায় হেনগৎলকপদগী নালান্দা, জেহানবাদ অমসুং গয়া জিলাশিংদা ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরি।

**ইসরোঃ** ইসরোনা গগনয়ান মিসনগী পেরাচুট বেজ দিসিলরেসন সিস্তেমগী দেমোন্সত্রেসন-অহানবা ইন্তিগ্রেতেদ এয়র দ্রোপ তেষ্ট ঙরাং মাই পাকা পাঙথোকখ্রে। মসি মিসন অসিগী মখাদা এস্ত্রোনোটশিংবু স্পেস পোর্টশিংদগী অশোয় অঙাম য়াওদনা পুরকবা পেরাচুট সিস্তেম অশোয় অঙাম থোক্তনবা মরুওইবা থৌরাং অমনি। তেষ্ট অসি ইসরো, ইন্দিয়ন এয়রফোর্স, দি.আর.দি.ও, ইন্দিয়ন নেভি অমসুং ইন্দিয়ন কোষ্ট গার্দকা পুন্না পাঙথোকখিবনি। মী তোংবা স্পেস ফ্লাইট মিসনগী রি-এন্ত্রি অমসুং সপ্লাস দাউন্দ মনুংদা ক্রু মোদ্যুলশিং তপথনা অমসুং লেংদনা থমবা পেরাচুটশিং নিংথিনা য়েংশিন্নবা তেষ্ট অসি পাঙথোকপনি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-ঙরাংগী তেষ্ট দেমোন্সত্রেসন মনুংদা চিনুক হেল্লিকোপ্তরদগী মোপ ক্রু মোদ্যুল অমা থাদোকখি অমসুং পেরাচুট শিজিন্নবগী মওং চাংয়েং তৌখি। ঙরাংগী চাংয়েং অদু মাই পাকখিবা অসিনা লৈবাক অসিগী তেকোলোজিগী তৌবা ঙম্বশিং অমসুং মালেমগী স্পেসকী লমদা লৈবাক অসিগী ফিভম ফগৎলক্লিবা অসি উখোকপা ঙম্লে। মী য়াওদবা গগনয়ান মিসন চহী অসিগী দিসেম্বরদা থানবা অমসুং মী য়াওবা মিসননা ইং ২০২৮ দা থানবা থৌরাং তৌরি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ঙসি গুজরাটতা চৎকনি। মহাকা অহমেদবাদতা লুপা কোতি লিশিং ৫,৪০০ রোমগী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাগনি। প্রোজেক্টশিং অদু শঙ্গারবা তুংদা শ্রী মোদিনা মীয়ামগী মীতিন অমদসু ৱা ঙাংগনি।
মহাকা অহমেদবাদকী হনসালপুরদা লৈবাক ১০০ রোমদা থাদোক্কদবা বেটরি ইলেক্ট্রিক্ট ভেহিকল অমসুং হাইব্রিদ বেটরি ইলেক্তোটশিংসু পুথোকপা হৌহনগনি।
মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি লিশিং ১,৪০০ হেনবগী তোঙান তোঙানবা রেলৱে প্রোজেক্টশিংসু জাতিগী মীয়ামদা শিন্নগনি অমসুং বিরামগম-খুদার-রামপুরা লম্বী পাকথোকপগী থবকসু হৌদোক্কনি।
প্রধান মন্ত্রিনা অহমেদবাদ-মেহসনা-কোলানপুর লম্বীগী লেন্দ তরুক্কী লম্বী শেমগৎপগী যাত্রাসু হুনগনি। শ্রী মোদিনা কতোসান অমসুং সবরমতিগী মরক্তা পেসেঞ্জর ত্রেন সর্ভিস লমথাগনি। থৌরাংশিং অসিনা লমদম অদুদা উদ্যোগকী লমদা চাউখৎপা, চথোক চৎশিনদা হেন্না খুদোংচাহনবগা লোয়ননা শেল থুমগী খুদোংচাবা কয়া ফংহল্লগনি।

**বি.এস.এফঃ** বি.এস.এফনা ভারত বঙ্গলাদেশ ঙমখৈগী হকিমপুর চেক পোষ্টতা লৈবাক অসিদা আইন কাইনা চংশিনগে তৌরম্বা বঙ্গলাদেশকী অৱাংবা থাক্কী ওফিসিয়েল ওইরম্বা অমা ফারে। মোহমদ অরিফুজমান কৌবা মীওই অদু সৈখ হসিনানা সাসন পায়রিঙৈদা রঙ্গপুর মেত্রোপোলিতান পুলিসকী এ.সি.পি ওইরম্বনি হায়রি। মহাক আর্মিগী সেক্রেটরিসু ওইরম্মি। বঙ্গালাদেশতা য়ুনুস সরকার লাকপদগী মহাক সতখিরাদা লোত্তুনা লৈরকখিবনি। নোং কন্না চুবগী খুদোংচাবা লৌদুনা ঙরাং নুমিদাং মহাকা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎরিঙৈদা বি.এস.এফকী ১৪৩ শুবা বট্টাল্লিয়নগী জৱানশিংনা ফারগা স্বারুপনাগর পুলিস স্তেসনদা খূৎশিন্নরকখিবনি। মঙোন্দগী চে চাং খরা ফংলে।

**সি.আই.এস.এফঃ** সেন্ত্রেল ইন্দষ্ট্রিয়েল সেকুয়্যরিতি ফোর্স(সি.আই.এস.এফ)না মসিগী অহানবা নুপী ঙাক্তুগী ওইবা কম্মান্দো য়ুনিট অমা হৌদোকখ্রে। য়ুনিট অসিগীদমক মধ্য প্রদেশকী বারৱাহাদা লৈবা রিজনেল ত্রেন্নিং সেন্তরদা নুপী পর্সনেল ৩০ ত্রেন্নিং চথখরি। ত্রেন্নিং অসি চয়োল ৮ চুপা এদভান্স কোর্স পাঙথোক্লি। প্রোগাম অসিগী মনুং চন্না ফিজিকেল ফিটনেস, খুৎশু খূৎলাইগী ত্রেন্নিং, লাইভ ফায়র দ্রিল, রাপেলিং অমসুং সর্ভাইভেল এক্সরসাইসনচিংবা পাঙথোক্লি। ত্রেন্নিং লোইরবা তুংদা কম্মান্দোশিং অসি হাই সেকুয়্যরিতি লৈবা মফমশিংদা ক্কিক রিএক্সন তেঙ্ক অমসুং স্পিসিয়েল তাক্স ফোর্স ওইনা মথৌ পাঙথোক্কনি। ত্রেন্নিং অসিগী অহানবা তাঙ্কক্তা এভিয়েসন সেকুয়্যরিতি গ্রুপ অমসুং সেন্সিতিভ য়ুনিটশিংদগী নুপী ১০০ রোম শরুক য়াগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মীয়ামদা পাউচে য়েন্থোক্লিবা হোকরশিংগী নুমিৎ থৌরম লৈবনা মরম ওইরগা ইম্ফালদা ফোঙবা পাউচেশিং ঙসি ফোঙনদ্রে। চীংগী জিলাদা ফোঙবা পাউচেশিংদা- পিপলস য়ুনিয়ন ফোর সিভিল লিবর্তিজনা মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা পুথোরকখিবা রিপোর্ট এম.পি সনাজাওবনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে হায়বা পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি। পাউ অসি গানফিউ মেল অমদি তামেংলোং তাইমসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কুমজা ২০২৭ তা পাঙথোক্কদবা মীখলগী মাংওইননা মণিপুরগী ইলেক্তোরেল রোল অসি অখন্ননা য়েংশিন্নবা এন.পি.পিনা পুখৎলকখিবা ৱাফম-অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং তাইমসতা- মণিপুরগী গভর্ণর ঙসি নাগালেন্দগী গভর্ণর দিজিগনেট ওইনা ৱাশক লৌরগনি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গভর্ণরনা থাজবা পীরকপদগী পাউমীশিংগী খোঙজং হন্দোকখ্রে হায়বা পাউ অমসু গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

**--ঙাক্নোই--**